# কোর্টনা সিব সেনাগী এমপি সঞ্জয়বু ইদিগী কষ্টদিদা থম্বগী মতম শাংদোকহনখ্রে, মহাক্কী লোইনবী সমন তৌখ্রে

মুম্বাই, ওগষ্ট ৪ (এজেন্সী):
মুম্বাইগী স্পিসল কোর্ট অমনা সিব সেনাগী এমপি সঞ্জয় রাউটপু ইনফোর্সমেন্ট দিরেক্তরেট (ইদি) গী কষ্টদিদা থম্বগী মতম নুমিৎ মরিনি শাংদোকহন্দুনা ওগষ্ট ৮ ফাওবা থম্ন নবা শগোলশেল নুমিত্তা খঙহনখ্রে।

এমপি অসিগী কেস অদুদা ইনৌ নৌনা অকুপ্পা ৱাফম খরা থেংনরকখিবগা লোয়ননা ইদিনা মহাক্কী লোইনবী বর্সবুসু ইনভেষ্টিগেসন অদুগা মরী লৈননা সমন তৌখ্রে। নিংথৌকাবা নুমিৎকী অঙনবদা মনি লোন্দরিং কেস অমগা মরী লৈননা ফাখিবা রাউট ওগষ্ট ৪ ফাওবা ইদিগী কষ্টদিদা রিমান্দ তৌখি অমসুং মহাক শগোলশেল নুমিৎকী নুংথিলদা স্পিসল পিএমএলএ কোর্ট অমদা পুথোকখি।

ইদিনা অকক্নবা দোক্যুমেন্ট খরা ফঙলে হায়রদুনা রাউটপু ওগষ্ট ১০ ফাওবা এজেন্সি অসিগী কষ্টদিদা লৈহন্নবা হায়জবগা লোয়ননা মরী লৈনবা ৱাফম কয়াগী মতাংদা থিজিনবগী ৱাফম থমখিবনি। কুমজা ২০১৮ দা রেজিষ্টর তৌখিবা মনি-লোন্দরিংগী কেস অদু গোরেগাউনগী পাট্রা চোল রিদিভলপমেন্ট প্রোজেক্টকা মরী লৈনৈ।



এজেন্সি অসিনা কেস অসিগী অতৈ এক্যুজশিংগী ইনভেষ্টিগেসনগা মরী লৈননসু রাউটপু মখোয়গী কষ্টদিদা থম্বগী মতাং শাঙদোক্নবা হায়জখিবনি। হিয়ারিং অদুদা রাউট অমসুং মহাক্কী উকিলশিংনা স্পিসল জজ এমজি দেসপান্দেদা মহাক্কী জেল সেল অদুদা ভেন্টিলেসন মঙং মরিল তানা লৈতে হায়না খঙহনখি। তৌইগুম্বসুং ইদিগী উকিলশিংনা মহাক এয়র কন্দিসন তৌবা সেল অমদা থম্বনি হায়রদুনা চার্জশিং অদুবু দিসমিস তৌখি।

ওগষ্ট ১০ ফাওবা ইদিগী কষ্টদিদা থম্বা য়াহনবীয়ু হায়জরদুনা ইদিগী স্পিসল কাউন্সেল হিটেন বেনেগাউনকরনা মহাক্কী আর্গুমেন্টদা হায়খি, মদুদি রাউটনা ইনভেষ্টিগেটরশিংদা কো ওপরেসন পীদবগা লোয়ননা য়ারিমখৈ পাউখুম পীদনবা হোৎনবদগী স্লুটশিংনা মহাক্কী লোইনবী বর্সা সঞ্জয় রাউটকী একাউন্টশিংদা চথখিবা লুপা ক্রোর ১.০৮ অমসুং অহেনবা লুপা ক্রোর ১.১৭ গী বেঙ্ক ট্রাঞ্জেক্সনশিং প্রোব তৌবা পামখি। রাউটকী সেনিয়র এদভোকেট মনোজ মহেটানা কোর্টতা ইদিনা মপুং ফাবা প্রোব অমা পাঙথোকখ্রবনি অমদি মহাক্কী ক্লাইন্টগী ষ্টেটমেন্ট ওগষ্ট ১ দা ফাদ্রিঙৈগী মমাঙদা রেকোর্দ তৌখ্রবসু হঞ্জিন হঞ্জিন্না মান্নবা মরালশিং শীজিনবনা মরম ওইদুনা মহাকপু ফারবা মতুংদা এজেন্সি অসিনা ইনভেষ্টিগেসন মখা চথখিবা লৈতে হায়বা ৱাফম থমখি।

স্পিসল জজ দেসপান্দেনা হায়খি, মদুদি ইদিনা কেস অদুগী মতাংদা চথরকখিবা প্রুভ অদু প্রোগ্রেস লৈ। অদুবু এক্যুজশিংবু ৱিটনেস কয়া শীজিন্নদুনা মখা তাবা লিগেল প্রোসেস চথনবগীদমক্তা কেস অসিগী এস্পেক্ট খরা ইনভেষ্টিগেসন তৌবা মথৌ তাই হায়খি।

পনবা য়াবদি, ইদিনা হৌখিবা নোংমাইজিং হায়বদি জুলাই ৩১ গী অয়ুক অঙনবদা রাউটকী বান্দুপতা লৈবা য়ুমদা রেইদ চথখিবগা লোয়ননা ময়ুমদা পুং ১০ রোম চুপ্পা ৱাহং পাউহং চথরবা মতুংদা এজেন্সি অসিগী ওফিসতা পুদুনা মখা তানা ৱাহং পাউহং চথনবা থমখিবনি। মহাক মমৈথংদা নিংথৌকাবা নুমিৎকী নোংয়াই মতুং ঙাইহাক কান্নরগা হৌনবী মতুং ইন্না ফাখি।

ইদিগী মতুং ইন্না লুপা ক্রোর ১,০৩৯ হেনবগী স্কাম অমদা হকথেংননা চেন্নবা প্রোজেক্ট দিভলপ্পরশিংগী মনুংদা অমা সঞ্জয় রাউটতা য়াম্না নকশিন্নে। চৈরকসিদা, রাউটকী ময়াম্বা ওইরিবা সিব সেনাগী এমএলএ সুনিল রাউটনা মখোয় জুদিসারিদা মপুং ফানা থাজবা থম্মী অদুবু বিজেপিনা মহাকপু কি হায়না ফোঙদোকখি।

# ইন্দিয়া অমসুং চাইনানা এলএসিদা লৈরিবা ট্রুপশিং মখা তানা লৌথোকপগী মতাংদা য়ান্নবা পুরক্ত্রি



ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ৪ (এজেন্সী):
লদাখ সেক্তরগী লাইন ওফ একচুয়েল কন্ট্রোল (এলএসি) গী য়েৎনরিবা মফমশিংদগী ইন্দিয়ন অমসুং চাইনিজ লান্মীশিং লৌথোকপগী মতাংদা চহী অমরোম চুপ্পা ৱারী শান্নরক্লবসু নাকল অনীগী আর্মিশিংনা হৌখিবা চহীগী ওগষ্ট ৪-৫ দা গোগ্রা-হোটস্প্রিং এরিয়াদগী মখোয়গী ট্রুপশিং লৌথোকখ্রবা মতুংদা মখা তানা অতৈ ফিক্সন পোইন্টশিংদগী ট্রুপশিং হন্দোকপগী মতাংদা ৱারী শান্নবদা য়ানবা পুরকপা ঙমদ্রি হায়না হিরম অসিগী মতাংদা খঙবা সোর্স খরনা ফোঙদোকখ্রে।

ইন্দিয়ন আর্মি অমসুং চাইনিজ পিপলস লিভরেসন আর্মি (পি এল এ) না এলএসিগী ফ্রিক্সন পোইন্টশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা গোগ্রা-হোটস্প্রিং সেক্তরদগী মখোয়গী লান্মীশিং ৱিদ্রো তৌদুনা পার্মনেন্ট বেজশিংদা লৈহনখি। মদু কুমজা ২০২১ গী জুলাই ৩১ দা কোর কম্মান্দর রেঙ্কশিংগী মরক্তা ১২ শুবা রাউন্দগী ৱারী শান্নখিবা মতুংদনি।

ওফিসলশিংদুগী মনুংদা অমনা হায়, হৌখিবা চহী অমগী মতম অসিদা ফ্রিক্সন পোইন্টশিংদগী মখা তানা ট্রুপশিং লৌথোকপগী মতাংদা য়ান্নবা অমত্তা পুরকপা ঙমখিদে। ইকোন কোন্না ট্রুপ লৌথোকখিবা মতমদুদগী হৌজিক ফাওবদা মিলিটরি দাইলোগ রাউন্দ মরি পাঙথোকখ্রবসু গ্রাউন্দদা লৈরিবা ফিভমদা অহোংবা অমত্তা লৈতে।

ট্রুপশিং উংখৎনরিবা মফমশিংদগী লৌথোকপগী প্রোসেস অদুদা নাকল অনীনা শেমগৎ শাগৎখিবা টেম্পররি ষ্ট্রকচরশিং অমসুং অতৈ ইনফ্রাষ্ট্রকচর শিদোকপা নত্ত্রগা লৌথোকপা চঙই। এলএসিগী অতৈ য়েৎনরিবা মফমশিংদগী ট্রুপশিং য়াম্না থুনা লৌথোক্লবা য়ারগনি হায়বগী থাজনবা লৈরবসু হৌজিক ফাওবা হিরম অসিগী মতাংদা ৱারী শান্নবদা প্রোগ্রেস লৈত্রিবনি হায়না মশক মমিং তাকথোক্লিংদবা অনীশুবা ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি।

GOVERNMENT OF MANIPUR
DIRECTORATE OF FISHERIES: MANIPUR
Lamphelpat, Imphal

/ NOTIFICATION

Imphal, the 3rd August, 2022

**No.FyD/Extn./226/2015/396 :** It is hereby informed to all concerned that applications in prescribed format are invited from intending and eligible candidates for nomination of candidates for admission to 4-years Degree Course of Bachelor of Fisheries Science at College of Fisheries, Lembucherra, Tripura under Central Agricultural University, Imphal, Manipur for the academic session 2022-23 which will commence from 20th September, 2022. The selection/ nomination of candidates will be made only through Competitive Entrance Test to be conducted by the Directorate of Fisheries, Manipur. A total of 9(nine) candidates will be selected out of which 7(seven) seats are to be reserved for candidates belonging to UR/ST/SC/PwD categories as per reservation policy of the State Government and 2(two) seats are to be reserved for candidates belonging to OBC category as per the guidelines of CAU-Imphal.

2. The nominated candidates must have the following requirements:
(i) Passed Higher Secondary (10+2) with minimum 50% marks in aggregate of PCB/PCMB/ Inter – Agriculture for General & OBC Categories and 40% marks for SC/ ST/ Third Gender/PwD/ In-service categories.
(ii) The candidates must have attained 16 years of age on 31st August, 2022.
(iii) The OBC candidate should not belong to creamy layer as specified by the Government of India and a certificate to that effect from the competent authority should be enclosed at the time of submission of application form.
(iv) A candidate must be a domicile of Manipur.

3. Application forms can be obtained from the Directorate of Fisheries, Lamphelpat, Imphal during office hours from 4th August, 2022 on payment of Rs. 500/- (Rupees Five hundred) only in respect of Gen/OBC/WS and Rs. 400/- (Rupees Four hundred) only in respect of SC/ST/PwD. The last date of issue and submission of application form is 26th August, 2022. Admit cards will be issued to the eligible candidates from 29th – 31st August, 2022. Further, the date, place and time of conducting the Competitive Entrance Test will be intimated at the time of issuance of Admit Cards.

4. The nominated candidates will receive a monthly stipend @ Rs. 1000/- and an annual book grant @ Rs. 2500/- from the Department of Fisheries, Government of Manipur.

**Sd/- H. Balkrisna Singh**
**Director of Fisheries, Manipur**

HL-P/7783/4,5

# ‘সেন্ট্রেল এজেন্সিশিং বি জে পিগী ৱিংশিংগুম্না থবক তৌরে’

পাটনা, ওগষ্ট ৪ (এজেন্সী):
ভারতিয়া জনতা পার্টি (বিজেপি) বু চৈ থাংলদুনা বিহারগী হান্নগী দিপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর অমসুং রাষ্ট্রিয়া জনতা দল (আরজেদি) গী লুচিংবা টেজাসৱি যাদবনা শগোলশেল নুমিত্তা হায়খ্রে, মদুদি রুল্লিং পার্টি অসিনা সেন্ট্রেল এজেন্সিশিংবু শুপ্নগী ওপোজিসন পার্টিশিংগী লুচিংবশিংগী মায়োক্তা শীজন্নরি।

লৈবাক অসিদা সেন্ট্রেল এজেন্সিশিংনা তৌরিবা থবক মতৌ অসি বিজেপিগী ৱিংশিংগুম্না তৌই। মখোয়না ওপোজিসন পার্টিশিংগী লুচিংবশিং খক্কী মায়োক্তা থবক তৌই। এজেন্সিশিংগী অসিগী ওফিসলশিং অকনবা প্রেসরগী মখাদা থবক তৌরি অমসুং মখোয়বু ওপোজিসন লুচিংবশিং ফ্রেম তৌনবা নমদুনা ১-সাইদেদ ইনভেষ্টিগেসনশিং চথহন্দুনা লৈরি হায়না যাদবনা ফোঙদোকখি।

টেজাসৱিনা মখা তানা হায়, ঐহাক সেন্ট্রেল এজেন্সিশিংবু কিবা লৈতে। তৌইগুম্বসুং ঐহাক্কী ৱাহংদি করিগীদমক্তা মখোয়না ওপোজিসন পার্টিশিংগী লুচিংবশিংবু টার্গেট তৌরিবনো হায়বসিনি। মখোয়না করিগীদমক্তা বিজয় মলয়া, নিরাব মোদি অমসুং মিহুল চৌসিগী মায়োক্তদি তৌফম থোকপশিং তৌদ্রিবা করিগীনো। হৌজিক ললিট মোদি কদায়দা লৈখ্রে হায়নসু হংখি।

আরজেদিগী লুচিংবা অসিনা হায়, এক্ট্রেস সুস্মিতা সেননা ললিট মোদি উন্নখ্রবসু সেন্ট্রেল এজেন্সিশিংনা মহাক অমসুং অতৈ মীচেলশিংবু খোঙ্গুল লীবা ঙমদে।

# কেরলাদা নোং কন্না চুবদগী মীওই ২২ শিরে

থিরুবনন্তপুরম, ওগষ্ট ৪ (এজেন্সী):
নোং চুবা নোংমা লেপ্পুরবা মতুং শগোলশেল নুমিত্তা কেরলাদা অমুক হন্না নোং কন্না চুরকখিবগা লোয়ননা ষ্টেট অসিগী মফম কয়াদা লেন্দস্লাইদ অমদি ঈশিং ঈচাও থোকখ্রে। নোংমাইজিং নুমিত্তগী হৌজিক ফাওবদা নোংগা মরী লৈননা শিখিবা মী মশিং ২২ শুরে।



ষ্টেট অসিগী দিষ্ট্রিক্ট ১৪ গী মনুংদা ৮ দা রেদ এলার্ট লাউথোকখি অমসুং অতৈ দিষ্ট্রিক্ট মঙাদনা ওরেঞ্জ এলার্ট লাউথোকখ্রে। অদুম ওইনমক ষ্টেট কেপিটেল দিষ্ট্রিক্টতদি অসিগুম্বা এলার্ট লাউথোকপা লৈতে।

চীফ মিনিষ্টর পিনারায়ি বিজয়ন্না পাৎ, তুরেল অমসুং দামশিংগী মনাক্তা তারিবা মীয়ামদা য়ারিমখৈ চেকশিন্না অমদি মীকুপ নাহুমশিংনা লৈননবা আপিল তৌখ্রে। দিষ্ট্রিক্ট ওথোরিটিশিংগী দিরেক্তিবশিং ইন্নবা অমসুং মথৌ তারকপগী মতুং ইন্না রিলিফ কেম্পশিংদা চঙশিন্নবা শেম শানবসু মহাক্না মখা তানা মীয়ামদা আপিল তৌখি।

চীফ মিনিষ্টর মখা তানা হায়খিবদা থ্রিসুল অমসুং ইনাকুলম দিষ্ট্রিক্টশিংগী কুৎথবা মফমশিংদা লৈরিবা অমসুং মমাঙগী ঈচাওশিংদা রিলিফ কেম্পশিংদা চৎনখিবা মীওইশিংনা হন্দকসু রিলিফ কেম্পশিংদা চৎপা মথৌ তাই।

ষ্টেট অসিগী চীংগী লমশিংদা অহিংগী মতমদা মীয়াম্না চথোক চৎশিন তৌরোইদবনি। তুরেল অয়াম্বা খুদোংথীবা থাক্কী মথক্তা চেন্নবনা মরম ওইদুনা কনামত্তনা তুরেল লানবা, ঙা ফাবা অমদি ইরোইবনচিংবা তৌরোইদবনি। খুদোংথীনিংঙাই ওইবা য়াবা মফমশিংদা লৈরিবা মীওইশিংনা ইমর্জেন্সি কিট থমদুনা শেম শাদুনা লৈগদবনি হায়খি।

ANGELS’ COACHING CENTRE
URIPOK POLEM LEIKAI
THE MOST TRUSTED COACHING CENTRE IN THE CITY
ADMISSION OPEN
FOUNDATION COURSE
Class 4 to 10 (BOSEM & CBSE)
Class 11 Science (COHSEM & CBSE)
Starts on 25th August 2022
TOPPERS of 2022




SUBJECT TOPPERS 2022
MATHEMATICS : 100
1. BIDYA TH. (LFS)
2. BRAJALIEN (TINY TOTS)
3. GAGAN N. (SJS)
4. KH. TOP JOHN (HERITAGE)
5. SANAMATUM (RIGHT STEP)
6. MALEMNGANBI S. (NBS)
7. M. KHELINA (LFS)
8. SABIRAH BEGUM (NBS)
9. S. SWATI (LFS)
10. SHINY S. (NBS)
11. SUBHALAKSHMI (TINY TOTS)
HR. MATHS : 100
1. B. BRINDA (NBS)
2. BRAJALIEN (TINY TOTS)
FIRST COME FIRST SERVE
SEPARATE BOARDING FOR BOYS & GIRLS WITH WI-FI FREE CAMPUS
CONTACT : 7628946313 / 9612441824 / 8732022342
HL-B/7784/ 5/8 (Alt 30 days)

AFFILIATED TO COUNCIL OF HIGHER SECONDARY SCHOOL, MANIPUR
ACI SCHOOL
A Co-educational Higher Secondary School
Kwakeithel Akham Leikai, Imphal
A school of Advanced Coaching Institute & Under the guidance of Human Resource Centre & Research Institute
ADMISSION OPEN FOR XI SCIENCE & XI ARTS
SPECIAL FACULTY MEMBERS
1. Physics – Dr. Devadattamani / Dr. Joyshankar/ Dr. Bidyakanta (IIT)
2. Chemistry - R.K. Bahadur / Manglembi NET (PhD)
3. Maths – Dr. Sanjit / Kiranmala (Gold medalist)
4. Zoology – Dr. Ranjita/ Kh. Seityabati
5. Botany – Dr. Bijen / Dr. Thajamanbi
Supported by special faculty members of ACI
FEATURES
1. For Position holders in the HSLC exam — Free ship + Book Grant + Scholarship
2. Students who scores 85% & above — Admission free + Half tuition free + scholarship
3. Students scores 80% and below 85% — Admission free+Scholarship+Book Grant
4. Students scores 75% and below 80% — Half Admission free + Book Grant
5. Students score 70% and below 75% — Half Admission
6. Students score 60% and below 70% — Direct Admission
World class standard classroom with Smart Class
Contact : 9862992105
www.advancecoachinginstitute.com
Direct admission - 45% and above under conditions
For few seats available
Form available: Office of Advanced Coaching Institute (offline)
HL-B/7769/ 29/7 to 7/8 Aug

ADVANCED COACHING INSTITUTE (HURRY! LIMITED SEAT)
THE LARGEST, TRUSTED & PREMIER COACHING INSTITUTE IN IMPHAL, MANIPUR
FOUNDATION COURSE FOR NEET /JEE
2YEARS FOUNDATION COURSE FOR CLASS XI APPEARING STUDENTS
(SURE TARGET TO FIRST ATTEMPT) FREESHIP FOR POSITION HOLDERS IN HSLC
1YEAR FOUNDATION COURSE FOR XII APPEARING STUDENTS
ONCE U ARE ADMITTED WITH DETERMINATION WE WILL SUPPORT U UNTIL SELLECTION WITHOUT ANY FEE
SPECIAL CONCESSION FOR THOSE STUDENTS WHO R FINALCIAL POOR AND MERITORIOUS
7 MONTHS FOUNDATION COURSE FOR CLASS XII PASSED STUDENTS
WORLD CLASS (A.C. ROOM) SMART CLASS WI. FI CAMPUS
1. SPECIAL SUNDAY TEST SERIES & MONTHLY MOCK TEST
2. STUDY MATERIALS BASED ON NCERT & PREVIOUS YEAR QUESTION AND ANSWER
3. Well Experienced faculties
4. separate boys & girls hostel
MEDICAL AND ENGINEERING CLASS WILL BE STARTED FROM 4th and 18TH August
For more detail pliz visit facebook page/instagram & utube of Advanced Coaching Institute and website to www.advancecoachinginstitute
LIMITED SEAT VAN SERVICE
BATCHES : 5 -9AM 6--9AM 12—3PM 4.30– 7.50pm
For Query : 9862992105 NAGAMAPAL LAMABAM LEIKAI BRANCH & KWAKEITHEL AKHAM LEIKAI BRANCH
HL-B/7769/ 29/7 to 7/8 Aug

FREE COACHING FOR CLASS X COMPARTMENTAL
Orgd. By
Human Resource Centre & Research Institute
SURE STEP TO MAKE SUCCESS
BATCH
ENGLISH : 4.30 TO 5.30 A.M.
MATHS : 5.30 TO 7.00 A.M
SCIENCE : 7.00 TO 8.30 A.M.
SOCIAL SC. : 8.30 TO 10 A.M
MIL : 10 TO 11.30 A.M
FREE FOODING AND LODGING FOR S.T /S.C & OBC STUDENTS UNDER CERTAIN CONDITIONS
FIRST COME FIRST SERVE
LIMITED SEATS
FEW SEATS REMAINING
HEAD OFFICE : NAGAMAPAL BRANCH & KWAKEITHEL BRANCH
CONTACT FOR DETAIL : 8787586090